# মরাদোনানা ৫৫ শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগী ওভর ওল টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : কেরলাগী ত্রিবান্দমদা চথুরকখিবা ৫৫ শুবা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং কন্টেষ্টতা মণিপুরগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূমনা জুনিয়র ওভর ওল মিষ্টর ইন্দিয়াগী টাইটল লৌরক্লে।

থা অসিগী ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী মরাদোনানা কেজি ৮০ গী কাঙলুপ্তা অহানবা পোজিসন তাখিবগা লোয়ননা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওভর ওলগী টাইটল লৌখিবনি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী পূন্না বোদি বিল্ডর ৯ অমদি ওফিসিএল ৪ না শরুক য়াখিবদা ক্ষেত্রিময়ূম মরাদোনানা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়াগী ওভর ওল টাইটল লৌরকখিবনি।

ক্ষেত্রিময়ূম মরাদোনা কেজি ৮০ গী কাঙলুপ অমদি ওভর ওল টাইটল লৌখিবগা লোয়ননা দল্লিয়ু মহেশ কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা তরুকশুবা পোজিসন তাখি। এ বিকান্না কেজি ৬৫ মখাগী কাঙলুপ্তা মঙাশুবা তাখি। রোসন ওক্রমচানা কেজি ৬০ মখাগী কাঙলুপ্তা তরুকশুবা পোজিসন তারকখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা জুনিয়র মিষ্টর ইন্দিয়া ওভর ওলগী টাইটল লৌরকখ্রবা ক্ষেত্রিময়ূম মরাদোনা কে বি বি টি সী ককচীংগী শান্নরোয়নি।

লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াখিবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী শান্নরোয়শিং অদুদি কে জি ৬০ গী কাঙলুপ্তা ৱর্ল্ড জিম মোইরাংখোমদগী তুলসিদাস, কেজি ৬০ গী কাঙলুপ্তা পি ৱাই জিম শিংজমৈদগী এন বিপিনকুমার, কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী রোহন ওক্রমচানি। কেজি ৬৫ গী কাঙলুপ্তা ৱাই পি আই এস এম উরিপোক্তগী এন নেলসন, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা ৱাই বি বি জিম পিশুমথোংদগী পি নরজ, কেজি ৭০ গী কাঙলুপ্তা কম্বাইন্দ জিমদগী দল্লিয়ু মহেস, কেজি ৭৫ কী কাঙলুপ্তা ইষ্টর্ন আইরন জিমদগী এ বিকান অমদি কেজি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা কে বি বি টি সী ককচীংদগী মরাদোনা ক্ষেত্রিময়ূম অমদি ঐচ টি এ কোংপাল জিমদগী কে জি ৮০ মথক্কী কাঙলুপ্তা এল প্রেমজিৎনি। মণিপুর বোদি বিল্ডিং টিম অসিগী কোচনা আই বিপিননি। টিম মেনেজরনা এন জি নবচন্দ্র, নেসনল জজ ওইনা আই বি বি এফকী এল মঙলেম অমদি নেসনল জজ ওইবগা লোয়ননা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিটনেস এসোসিএশনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দেবেনসু শরুক য়াখি।

## জুনিয়র বোল্লিবোল টিমগী শান্নরোয় খনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : চহীসিগী এপ্রিল ১৯ দগী ২৫ ফাওবা কেরলাদা পাঙথোক্কদবা নুপা অমসুং নুপীগী ৪৩ শুবা জুনিয়র নেসনল বোল্লিবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারুনবগীদমক নুপা অমদি নুপী জুনিয়র বোল্লিবোল টিম শেম্নবগীদমক প্রোভিজনেল ওইনা শান্নরোয় ৪০ খনখ্রে।

ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী সেলেক্সন কম্মিটিনা প্রোভিজনেল ওইনা খনখ্রবা শান্নরোয় ৪০ অদুদি এ সী টি এলদগী ৱাই বুধচন্দ্র, এল সোমোরজিৎ অমসুং নাওতোন, আই জি ও ওইনামদগী ও জেফ্রি, রাজেস, দেবেন্দ্র, এল সুনিল অমসুং রবিন্দ্রনি। টি আর ৱাই ভি এ টিম এদগী গাংমৈ গাইথুইশুং, ময়োন, টি আর ৱাই ভি এ টিম এদগী আর অচৌ, হাওরাপুই, সোময়া অমসুং চিঙ্গানিনি। ঐচ ৱাই দি সী সী এল হৈক্রুজমদগী ৱাই সাজন, কে বেদা, এন বেনর্জি, এন রমানন্দা, এন ধনবির অমসুং ঐচ সমানন্দনি। কে এল ৱাই এদগী জয়চন্দ্র, মালেমঙানবা, এম দেতান্তা, ৱাই ভি এদগী এ সরত অমসুং এন সুসিল, বাখে ভি সীদগী গাইচাংপু, রোবিনসন, কর্নজিৎ, ইন্দ্রজিৎ অমসুং কে ঐচ জোতিননি। এন ৱাই ভি এদগী হরিমোহন অমসুং ও পি এস খুমননি। এস দি সীদগী ঐচ রাজু, নরেস, এল সোমোরজিৎ, এল এস এদগী নুরুল অমসুং এন ৱাই দি সীদগী রিসিকান্তনি।

প্রোভিজনেল ওইনা খল্লবা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৯ দা খুমন লম্পাক বোল্লিবোল আউদোর কোর্টতা অয়ূক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা লাক্কুনা ত্রাইএল কম কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# সমরেন্দ্র অমসুং শান্তিকুমারগী জুরা মাষ্টর নেসনল বেদমিন্টন্দা শিলভর মেদল ফংখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ০৬ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা মার্চ ১ দগী কোচিদা চথুরিবা ৪১ শুবা মাষ্টর নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা মণিপুরগী ৱাই সমরেন্দ্রা অমসুং আই শান্তিকুমারগী জুরা চহী ৫৫ মথক্কী দবলসকী ইভেন্টতা শিলভর মেদল ফংখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী চহী ৫৫ মথক্কী দবলসকী ফাইনেলদা মণিপুরগী ৱাই সমরেন্দ্র অমসসুং আই শান্তিকুমারগী জুরা কেরলাগী রোই কে জে অমসুং জোনসন অনীগী মখূৎতা ২১-১৪, ২১-১৩ দা মায়থীদুনা রন্নর্স-অপ তাহৌখি।

চহী ৫৫ মথক্কী কাঙলুপ্তা ৱাই সমরেন্দ্র অমসুং আই শান্তিকুমারগী জুরানা চথুরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীখি। লোয়ননা চেম্পিয়নশিপ অদুদা মখোয় অনীগী জুরানা গোল্ড মেদল লৌগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখিবনি অদুবু ঙসি ফাইনেলদা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীখিবনা শিলভর মেদল ফংহৌখি।

সমরেন্দ্র অমসুং শান্তিকুমারগী জুরা শিলভর মেদল ফংলবসু হান্নানা চহীসিগী সেপ্তেম্বর ১১ দগী ১৭ ফাওবা কোচিনদা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড মাষ্টর বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

অমরোমদা চথুরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী চহী ৬০ মথক্কী কাঙলুপ্তা সী ঐচ বিমোল অমসুং এল কুমারগী জুরা ৱর্ল্ড মাষ্টর বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবনি।

শিলভর মেদল ফংহৌখ্রবা ৱাই সমরেন্দ্র অমসুং আই শান্তিকুমারগী জুরানা চথুরিবা চেম্পিয়নশিপ অদুগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা উত্তরখণ্ডগী রজিব বর্ম্মা অমসুং বিনোদ গুপ্তগী জুরাবু ২১-১৯, ২১-১৯ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

সেমী ফাইনেলদা মণিপুরগী সমরেন্দ্র অমসুং শান্তিকুমারগী জুরানা মায় পাকপা ঙমখিদবনা শিলভর মেদল ফংহৌখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা সমরেন্দ্র অমসুং শান্তিকুমারগী জুরানা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা লাকখ্রবসু ঙসিগী ফাইনেলদা য়াম্না শোন্না শান্নখিবনা ওপোনেন্ট টিমগী মখূৎতা মায়থীহৌদুনা শিলভর মেদল ফংখিবনি।

# লিএন্দর পেজ দেভিস কপকী স্কাদতা য়াওরে



ন্যু দেল্লি, মার্চ ০৬ :

উজবেকিষ্টান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা দেভিস কপ্তা ইন্দিয়াগী স্কাদতা শরুক ্ইরবা টেনিস ষ্টার লিএন্দর পেজ য়াওগনি য়াওরোই হায়না খন্নরম্বা অদু অরোইবা পুংজাদা য়াওখ্রে।

উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা টাই শান্নগদৌরিবা ইন্দিয়ন দেভিস কপ স্কাদ অসিদা লিএন্দর পেজ, রোহন বোপনা, মহেশ ভুপতিনচিংবা শান্নরোয়শিং য়াওরি।

এস পি মিশ্রানা লুচিংবা আইটা সেলেক্সন কম্মিটিনা সিঙ্গলস প্লেয়র মরি রামকুমার রমানাথন, য়ুকি ভাম্ব্রি, প্রনেস গুনেশ্বারন অমদি এন শ্রীরাম বলাজি য়াওরে হায়না লাউথোকখ্রে। লোয়ননা অতোপ্পা দবলস প্লেয়র অনীগী মমিংসু লাউথোকখ্রে।

মমিং লাউথোকখ্রবা দবলস প্লেয়র অদুদি রোহন ভোপনা অমসুং লিএন্দর পেজনি। ভেটরান শান্নরোয় অনী অসিনা ইন্দিয়াগী মীওই তরুক্না শাবা স্কাদ অসিদা য়াওখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা দেভিস কপ্তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি। উজবেকিষ্টানগী মায়োক্তা শান্নগদৌরিবা টাই অসি ইন্দিয়াগী ওইনদি য়াম্না মরুওই হায়না আইটাগী সেক্রেটরি জেনরেল হিরোনমোই চেত্তরজিনা ফোঙদোকখি।

দেনিস ষ্টৌমিননা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী দেভিস কপ অসিদা ইন্দিয়াগী স্কাদ অসি য়াম্না অরিংবা অমনি। মরম অদুনা শুংশোয় শোয়দনা ইন্দিয়াগী মেচশিং লোয়ননা দবলসকী মেচশিংদা মায় পাক্লক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক ইন্দিয়ানা শিঙ্গলস অমসুং দবলস অনীমক্তা থাজবা থল্লবসু দবলসতি সিঙ্গলস ইভেন্টতগী অরুবা ফীভমদা লৈ অদুবু ঐখোয় করিসু নীংহন্নবা তৌদনা হেন্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীনবা হোৎনগনি হায়খি।

মমাঙ চহীদা ন্যুজিলেন্দগা শান্নখিবা অদুদসু ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়রশিং ফিটনেস ৱাৎপা মরম্না অরোইবা মিনিটতা লৌথোকখি। অদুবু হন্দক্তি অসিগুম্বা নুংঙাইতবা থৌদোক অসি থোক্তনবগীদমক ইন্দিয়াগী টিমদা অনৌবা ফিটনেসকী গাইদ লাইনশিং পীনবগীদমক মুম্বাইদা থানবগী ৱাফম হিরোনমোয় চেত্তরজিনা ফোঙদোকখি।

মহেশ ভুপতিনা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী দেভিস কপকী স্কাদ অসিনা খ্বাইদগী মপাঙ্গল কনবা ওইরগনি। মথংগী চয়োল অহুমগী মনুংদা শান্নরোয়শিংগী ফিটনেস লেভেল হান্নদগী য়াম্না ফগৎলগনি। দেভিস কপকী টিম কেপ্তেন অমা ওইনা মহাক্না টিম অসি মহয় য়ানবা অমা ওইহন্নবা মহাক্কী থৌদাং চপ চানা লৌগনি হায়খি।




Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 8014686437
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3673/17/2-22/3




HL-B/3662/9,11,13,15....




HL-P/1010/03/03-6/04




